
# ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা

ডাঃ সরাংথেম জেম্মারাণী

**ঐখোয়গী** লমদমসিদদি চাক্লা মরুওইনা চান্নবনা ফৌসি মফম খুদিংমক্তা থানরি। হৌজিক্কী মতমদদি ফৌ থাবা মতমদা হার হাপ্পনা মমাঙ থানা চৎলি। মরমদি ষন্থি-ষণয়ুংসি মরাং কায়না ফংদবনা ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতোপ্পা ওক, হামেঙ, ঙানু, য়েন অসিনচিংবগী মথি-ময়ুংসু হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমসি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা মতমনি। মরম অসিনা শা-ষণ, য়েন, ঙানু ময়ামসি য়োক্তুনা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা মথি-ময়ুং ময়ামসি শীজিন্নদুনা ফৌ হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা অমদি ফৌদা তাবা তীল-কাঙ ময়াম অসিসু ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নরগা ঙানুগী মচিঞ্জাক ওইদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ফার্মিং সিষ্টেম অমা ওন্থোকপা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নদুনা অনীমক্তা কান্নহন্দুনা অমগা অমগা কান্নরবা মরী লৈনহন্দুনা হেন্না পোত্থোক পুথোকহল্লি। অসিগুম্লবা ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসি চহী ৫০০ গী মমাঙদগী জপান্দগী হৌরকই। ঙানুগা ফৌগা পূন্না থমিন্নবা মতমদদি পামফেন্দগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পামফেন তৌবসিনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চৎথোক চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থাগদৌরিবা ফৌদুগী লৌরি নীংথিনা শেন্বীগনি অমদি লৈতেম মান্ননা শেমদ্রিঙৈদা হঞ্জিন হঞ্জিন খোইদোকপীগনি। মসিগী মতুংদা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা ষন্থি মরাং কায়না লৈবা মফম ওইরগদি লৌফম হেক্টর অমদা ষন্থি নৎত্রগা কম্পোষ্টসি টোন মঙাদগী তাদনা হাপ্পীগনি। ফৌ লীংবা মতমদসু ফৌ পান্বী অমগা অমগগী মরক্তা খরা লাউনা থন্বীগনি। য়ামদ্রবদা লীংবা মতমদা 20 cm x 20 cm গী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না নেমহল্লি। ফৌ লীংবগী অতোপ্পা মওং অমনা ‘লীগোৱো রো প্লান্টিং সিষ্টেম’ হায়না খঙনবসিনা ফৌ লীংবা মতমদা সী এম ২৫x১০x৫০ হায়রিবা মওংসি মখাদা থমজরি।




ফৌ লীংখ্রবা নুমিৎ ৩০-৩৫ গী মতুংদগী ঙানু মচা নুমিৎ ২০ দগী থা ফারবশিং ফৌরক্তা থন্বীবা য়ারে। ঙানুশিংসি মফম অমদগী খরা, অমদগী খরা লৌরগা ফৌরক্তা থাদবিরগদি ঙানুশিংদা লায়না চেল্লকপগী চাং ৱাংই। মরমদি মফম অমদগী লৈরুরিবসি লায়না লায়ওং খঙদ্রিঙৈদা পূন্না থম্মীন্নরগদি লায়না অমগা অমগা লৌনরকপগী চাং ৱাংই। মরম অসিনা ওনবদা ঙায়রিবা ঙানুশিং পূন্না মফম অমদগী লৌবিরগা মৈ থান্দুনা অমদি মচিঞ্জাক নীংথিনা পীজবিদুনা লু-নান্না থন্বীরগা য়োকপীগনি। ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নগদবা মফমদু কোয়না খাজিনবীগনি। ঙানুশিং ফৌরক্তা অহানবা পুথবা





মতমদা নুমিৎচুপ্পা ফৌরক্তা থন্বীরোইদবনি। হাপ্তা অনীমুক্তি মতম খরা খরা থন্বীরগা পুখৎপীরক্কনি। হায়বদি অহানবা পুং অনীরোম থন্বীরবা তুংদা পুখৎপীরগা মসিগী মতুংদা অসুম অসুম মতমসি হেনগৎপীদুনা ফৌরক্তা থন্বীগনি। ফৌরক্তা ঙানু থন্বা মতমদা ঈশিং তুংহল্লগা থন্বীগনি।

লৌফম হেক্টর অমদা ঙানু ১০০ থন্বীরগদি নাপী হৌবগী চাং য়াম্না হন্থে অদুবু মসিগী হেক্টর অমগী লৌফমসিদা ঙানু মশীং হেনগৎলগদি অতোপ্পা তীল তাবগী চাং য়াম্না নেম্মী। লৈবাক লৈহাও হেনগৎহল্লি। ঙানুশিং অয়ূক্কী লৌফমদা থাদরমদাই অমদি নুমিদাং হোইজিনলমদাইদা তোঙান্না মচিঞ্জাক খরা পীজবীগনি। ফৌনা লঙচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তগা চাবদগী তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থন্বীদুনা মখা তানা লোইবীবা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা নাপী হৌবগী চাংসি চাদা ৯৫ গী চাংদা হন্থে অমদি তীল তাবগী চাংনা চাদা ৯০ গী চাংদা হন্থে। চুক অমদা মচা মশীং য়ামদ্রবদা ১১ হৌই, চরোঙ অমদা পানবা গ্রেনগী মশীং এভরেজদা ১৫০ নি। পুনশিন লৌউসিদা ফংলিবসি বেনিফিট কোস রেসিওসি ২.৩৩:১ নি অদুগা অমরোমদনা ফৌখক্তনা ফংলিবা রেসিওসিনা ২.১২:১ নি।

**ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নবগী কান্নবশিং ঃ**

- পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্ত লুমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।
- ফৌরক্তা লৈবা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোকহল্লি। শম্না চহী মরি মঙাসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী হোপরশিং (লান্না ৱাহিক হায়নসু খঙনবা) ফাদোক্তুনা তীলশিং তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা চৎপদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়হন্দুনা ফৌ পান্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি।
- ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইত্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙমহল্লি।
- ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইত্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙমহল্লি।
- ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপা মতমদা লৈবাক্তা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবদা অচৌবা মতেং পাঙই অমদি ফত্তবা গ্যাসশিং ফমজিন্দুনা লৈহন্দে।
- ঙানুগী মচিন্না হন-হন্দুনা চাবদা লৈবাকশিংদু হোম হোম লাউহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমহল্লি।
- ঙানুসু ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচিঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি অহেনবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাং হন্থহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসিনা ইনকম হেন্না লাকহল্লি। ফৌ থাবদা চঙগদবা শেঞ্জং হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌথোক হেনগৎহল্লি। মসিগী মথক্তা ঙানুদগীসু অহেনবা শেন্দোং লাকহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবনিনা ইন্সেক্টিদাইদ, কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী চঙগদবা চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না পুনশিন লৌউসিনা অকোয়বগী ফীভম ফগাৎহনবতা নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফবা চিঞ্জাক পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙবা ঙমহল্লি।

# লৌ উবা অমসুং ঙা য়োকপা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা

ডাঃ যুম্নাম বেদজিৎ সিংহ

**লৌফমদা** ঙা য়োক্তুনা ঙা পুথোকপগী থৌওংসি লৌ উবগুম্না য়াম্না কুইরবা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা লৌ উবনা মপূং ওইবা থৌওং অমা ওই অমদি ঙা য়োকপগা পাঙথোকমিন্নদুনা অহেনবা পোৎথোক অমদি শেল ফংবা ঙমহল্লি। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোক্লবগীদমক্তদি লৌফম অদু খরা শেমদোকপীবা মথৌ তাই।

**লৌফম অমদি পুখ্রিগী মওং খরা :**

১. পেরিমিটর টাইপ :- লৌ উগদৌরিবা মফম অদুনা ময়ায়দা লৈহল্লগা অকোয়বদনা খরা লুথহন্দুনা ঙা য়োকপা।

২. সেন্ট্রেল পোন্দ টাইপ :- লৌ উগদৌরিবা মফম অদুনা মপান থংবদা ওইহন্দুনা ময়ায় থংবা শরুক্তুনা খরা লুথহন্দুনা ঙা য়োকফম ওইনা শীজিন্নবা।

৩. লেটরেল ট্রেন্স টাইপ :- লৌফমগী নাকল অমদা নৎত্রগা নাকল অনীদা খরা লুথহন্দুনা ঙা য়োকফম ওইনা শীজিন্নবা অমদি লেমহৌরিবা লৌফম অদুনা লৌ উনবগীদমক শীজিন্নবা য়াই।

**লৌগা ঙাগা য়োকমিন্নবা মতমদা য়োক্কদৌরিবা ঙা মখলশিং :-** কার্পশিং, খুদম ওইনা হায়রবদা রৌ, কটলা, ম্রিগল, পুকলাওবী, ফাবৌঙানচিংবা। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাক্রা, ঙাচিক, উকাবী, ঙামুনচিংবনি। মসিদসু নত্তনা খজিং, তুংহনবীনচিংবসু য়োকপা য়াই।

ফৌ মখল খেন্নবা অমদি য়োক্কদৌরিবা ঙাগী মখল অমদি চাউবগী চাং খেন্নবগী মতুং ইন্না লৌরক্তা লৈগদৌবা ঈশিংগী লুবগী চাং অসি সেন্টিমিটর ৫দগী ২৫ ফাওবা ওইগদৌবনি।

য়োক্কদৌরিবা ঙাগী মশীংসু ঙাগী মখল খেন্নবা অমদি কয়াম চাউবা ঙা থাদগদৌরিবনো হায়বগী মতুং ইন্না খেন্নগনি অমদি ঐখোয়না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌওং অদুগী মতুং ইন্নসু খেন্নগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা মচিঞ্জাক থাদবীগে হায়রবদি খূৎশামুক চাউবা ঙা ১০,০০০ থাদবীগনি। করিগুম্বা মচিঞ্জাক থাবিদবা তারবদি ঙা মশীং ৫,০০০ খক্তমক থাদবীগনি। করিগুম্বা নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙাশিং থাদবীগে হায়রবদি ঙা মশীং ১০,০০০ থাদবীবা অদুম য়ারে।

**হার হাপ্পা :**

ষন্থি নৎত্রগা কম্পোষ্টগুম্বা কিলোগ্রাম ৩০,০০০ পরি অমদা লৌ হুনদ্রিঙৈদা হাপ্পীগদবনি। নাইত্রোজেন অমদি পোটাসিয়ম কিলোগ্রাম হুম্ফু পরি অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্পীগনি। নাইত্রোজেন অমদি ফোসফরসতি তাঙ্কক অহুম থোক্লা হাপ্পীগনি হায়বদি লৌ লীংবা, ফৌ পান্বীনা মচা পোল্লকপা অমদি ফৌ শাৎপা হৌরকপা মতমদা হাপ্পীগনি।

তীল হীদাক, নাপী হীদাক্লচিংবা য়ারিবমখৈ হাপ্পীরোইদবনি। করিগুম্বা হাপ্পা তারবসু ঙা থাদদ্রিঙৈ





য়ামদ্রবদা নুমিৎ তরেৎনি মমাঙদা হাপ্পীগনি নৎত্রগা ওর্গানিক ওইবা হীদাক-লাংথক ওইনা শীজিন্নবীগদবনি। মরমশিং অসি লৈবনা মরম ওইদুনা লৌ উবা অমসুং ঙা য়োকপা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা মফমদগী পুথোরকপা চেঙ অমদি ঙা চাবনা অতোপ্পা হীদাক লাংথক য়াম্না শীজিন্নবা মফমদগী পুথোরকপা চেঙ অমদি ঙা চাবদগী হকচাং ফবা হেল্লি।

নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙাশিং অসিগীদমক্তদি লৌগা ঙা য়োকপগা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা অসিগী ঈশিং অসি য়াম্না চান্নে।

**লৌ উবা অমদি ঙা য়োকপা পূন্না পাঙথোকমিন্নবগী কান্নবা খরা থমজগে:-**

১) মফম অমত্তদা থৌওং অনী পাঙথোক্তুনা মফম অদুবু ফজনা শীজিন্নবা ঙমহল্লি।

২) লৌ উবদা চঙবা থৌওংদগী য়াম্না হেন্না হোংদোক-হোংজিন তৌদনা ঙাসু য়োকপগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

৩) লৌ পেংবা অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক্কীদমক চঙগদৌবা শেল হন্থহল্লি।

৪) ফৌথোক্কী চাং চাদা ৫দগী ১৫ ফাওবা হেনগৎহল্লি।

৫) লৌফমদগী ঙাসু পুথোকপা ঙমহল্লি।

৬) ঙা য়োকপগী শেমখিবা লৈপলদা মনা-মশিং থাবসু য়াই।

৭) ঙানা লৌ মরক্তা হৌবা ঈশংগুম্বা শেংদোক্তুনা ফৌ পান্বীদা য়াম্না কান্নহল্লি।

৮) তুংহনবীগুম্বা নৎত্রগা পুকলাউবীগুম্বনা লৌরক্তা হৌবা নাপী শেংদোক্তুনা ফৌ পান্বীদা য়াম্না কান্নহল্লি।

৯) ঙামু, ঙাক্রা নৎত্রগা ঙাচিকগুম্বা ঙাশিংনা তীলশিং চাথোক্তুনা ফৌখোক চিকথৎপগী লায়নাগুম্বা কয়া ফহনবা ঙম্মী।

১০) ঙাশিংনা ঈশিংদা লৈবা মহীক মতাই অমদি তীল-কাংনচিংবা কয়া চাথোক্তুনা ফৌখক্তা নত্তনা মীওইবদা নাগদবা লায়না খুদম ওইনা হায়রবদা মেলরিয়া ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

১১) লৌফমশিং অসি ঙা মচা পুথোকপদা শীজিন্নবসু য়াই। মসিদগী খরা চাউখৎলক্লবা ঙাশিং অসি পুখ্রিদা য়োক্লনবা ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

১২) ঙা অমদি লৌ অসি অওন পোখা ওইনা তৌদুনা লৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌ অমুক উবা অসুম্না পাঙথোকপসু য়াই। অসুম্না পাঙথোক্লবদি লৌফমদা লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লনবগীদমক হীদাক লাংথক কয়া শীজিন্নবসু য়াগনি।

# ফ্লোরিদাগী স্কুলদা থোকখিবা থৌদোক

মোইরাংথেম দিনকান্ত

**মালেমদা** অকি তুজুংবগী মশক ওইবা থৌদোক অমা চৎলিবা কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ১৪দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফ্লোরিদাগী পার্কলেন্দ সিটিদা লৈবা মারজোরি ষ্টোনমেন দুগলাস হায় স্কুল (Marjory Stoneman Douglas High School) দা থোকখ্রে। অকিবগী মশক ওইরবা হিংশাগী থৌদোক অসিদা স্কুলগী মহৈরোয় ১৪, ফুটবোলগী কোচ অমা য়াওনা ওজা ৩ পূন্না মীওই ১৭ শিহনখি। স্কুলগী মনুং অমসুং মপান্দা নোংমৈ কাপ্তুনা হিংসাগী থৌদোক থোকহনখিবা মারজোরি ষ্টোনমেন দুগলাস হায় স্কুলদা হান্না তম্লম্বা স্কুল মহৈরোয় নিকোলাস জাকোব ক্রুজ (Nicolas Jacob Cruz) চহী ১৯না চথখিবা য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোকনি। নিকোলাস ক্রুজ সাউথ ফ্লোরিদাদা কুমজা ১৯৯৪গী সেপ্টেম্বর ২৪দা পোকখি। মহাক্কী অপোকপগী মীংনা রোজর ক্রুজ কৌই। অপোকপা রোজর ক্রুজ অসি অনকেননি এক্স-মেন (Uncanny X-man) অমসুং এক্স-মেন (X-man) নচিংবা কোমিক লাইরিকশিংদা য়াম্না শিংথানবা য়ানা থবক তৌখিবা আর্টিষ্টনি। অদুবু হার্ট এটেক তৌদুনা মশাগী চহী ৬৭শুবদা লৈখিদে। মহাক্কী অপোকপী মমানা লিন্দা ক্রুজ (Lynda Cruz) নি। য়াম্না লাইবক থীরিবদি মহাক্কী অপোকপী মমাসু মহাক্লা হিংসাগী থৌদোকসি পাঙথোক্ত্রিঙৈ থা অহুমলোমগী মমাঙদা নিমোনিয়া (Pneumonia) না নাবদগী লৈখিদ্রে। অদুগা মহাক্কী মনাওনুপা জাচারী ক্রুজ (Zachary Cruz) দি লৈরি।

মমা-মপা কয়াগী থম্মোয় কায়হনখিবা থৌদোক অসিগী মমাঙদা নিকোলাস ক্রুজ অসি স্কুলদগী দিসিপ্লিন য়াওদবগীদমক তাম্থোকখিবা লৈখ্রে। মহাক Junior Reserve Officers Training Corps (JROTC) দা মেম্বর ওইরম্লে। JROTC হায়বসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা দিফেন্সকী থবক চঙনবগী হান্না মাঙজৌননা ট্রেনিং পীদুনা তাকপী তম্বীবনি। অদুবু স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসিগী মতুংদা মীয়াম্না National Rifle Association (NRA) গী থবক লেপ্পু হায়না খোঙজং




চঙশিনখি। এন আর এসু খুদক্তগী আইনগী মতুং ইন্না মখোয়গী থবক লেপখ্রে। এন আর এ অসি য়ু এসতা নন-প্রোফিট ওর্গেনাইজেসন অমনি। কাঙলোন চুম্না নোংমৈগী হকপু শৌগৎপনি। মেম্বর মিলিয়ন ৫ রোম লৈরবা এসোসিএসননি।

নোংমৈনা মীচম মীয়ামগী মরক্তা হিংসাগী থবক চথবনা মীয়াম্বু তুংদা লৈতানা হিংহনবদি ঙমদে। অদুগা অমেরিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা থৌদোক অসিগী মতুংদা য়ু এসতা স্কুলগী ওজাশিংবু অখন্নবা ট্রেনিং পীরগা নোংমৈ পায়হনগদবনি হায়না খন্না নৈনখি। থৌদোক অসিদা ওজা অমনা মহৈরোয়শিং কঞ্জনবগীদমক নিকোলাস ক্রুজগী নোংমৈ মমাঙদা চেনশিন্দুনা শিজখিবা অদু ওজা অদুনা নোংমৈ পায়রম্লবদি নিকোলাস ক্রুজপু হান্না কাপ্তুনা হাৎলমগদবনি হায়বা ৱাফমশিং পল্লদুনা ওজাদা নোংমৈ ইস্যু তৌবগী খন্ন-নৈনখিবনি। দোনাল্ড ত্রম্প অসি মথোং হুক্তবা লুচিংবা অমনি হায়নবসু লৈতবা নত্তে। অদুবু ইন্দিয়াগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ বিপিল রাৱটনদি হন্দক মণিপুরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টগী ন্যু দেল্লিদা নেসনল ইন্টিগ্রেসন টুর চৎখিবা মহৈরোয়শিংদা, কনাগুম্বা অমত্তনা নোংমৈ পায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্কদবনি, তুংদা লৈতানা লৈনবা মহৈরোয়শিংনা হোৎনগদবনি হায়না পাউতাক পীখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফ্লোরিদাগী স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকসি ফেব্রুৱারী ১৪ ভেলেন্টাইন্স নুমিৎনি। মরমসিনা নিকোলাস ক্রুজনা নুংশিনবা কায়নবগী নোংমৈ কাপ্লিবরা? স্কুল অদুদগী দিসিপ্লিন য়াওদবগী স্কুলদগী তাম্থোকখিবগী লমন খুম্লিবরা? অমসুং মপাসু লৈখিদ্রবা, থৌদোকসিগী থা অহুমলোমগী মমাঙদা মমাসু লৈখিদবগী পূক্লিং ৱাখল শোন্থদুনা নোংমৈ কাপ্তুনা মীয়াম হাৎলিবরা হায়বসি চপ চানা খঙদ্রি। থৌদোক অদুগী মতুং পুং অমরোম লৈরগা পুলিসনা ক্রুজবু ফাখি। মহাক হৌজিক মীহাৎপগী ৱায়েল চথরি। মহাকপু মায়কৈ কয়াদগী শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না ৱাকৎনরি। মহাকপু মেন্টেল হেলথকী কাউন্সিল পীবিগদবনি হায়রি।

ঐখোয়না থবক অমা তৌরমদাইদা হান্না তাকপী-তম্বীবা ইথিল পীবা য়াওরি। মতৌ তম্লুবদগী অৱাবা তাবসু য়াওরি। পূম্নমকশিং অসি ইনভাইরোনমেন্ট অসিগী মনুংদা লৈ। মমা-মপা ঐখোয়গা নক্লা লৈমিন্নরিবশিং অসিসু ইনভাইরোনমেন্টনি। ঐখোয়দা অফবসু ফত্তবসু ইনভাইরোনমেন্টনা তাকপী তম্বীরি। মসিবু পূক্লিং ৱাখল হকচাংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী ক্রাইম থোকহল্লি। মমান্নবা মমান্নবী কয়াগী মমাঙদা ইনভাইরোনমেন্ট অসিনসু শৈতানগী মশক ওইহনখ্রবা ক্রুজনা নোংমৈ কাপ্পগী মহুত্তা অফবা ওজা অমা পীয়ু মালেম জয় তৌগে হায়রম্লবদি অচুম্বা লম্বীদা নিকোলাস ক্রুজপু লমজিংবীরমগনি খল্লি।